**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM**
**(DATE 28-11-2024)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) পুলিসনা ফাজিনখিবা মীওইশিং থাদোকউ হায়বা দাবীদা ঙরাং নুমিদাং ককচিংদা ইরাং হৌখ্রে, জিলা অসিদা করফিউ কোমথোকপগী মতম অয়ুক পুং ৫ দগী অয়ুক পুং ৯ দা তেনশিনখ্রে।

২) মণিপুর অমদি অসামগা লোন্নবা মফমশিংদা অসাম পুলিসনা অখন্নবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎতুনা স্পেসিয়েল পেট্রোল্লিং লেপ্তুনা চত্থরি।
অমসুং

৩) জে.এম.এম লুচিংবা হেমন্ট সোরেন ঝারখন্দগী মুখ্য মন্ত্রি ওইনা ঙসি ৱাশক লৌরগনি।

------

কার্ফিয়ু (এল)ঃ পুলিসনা ফাজিনখিবা মীওইশিং থাদোকউ হায়বা দাবীদা ঙরাং নুমিদাং ককচিং পুলিস ষ্টেসন অমসুং ককচিং কেন্দ্রগী এম.এল.এগী য়ুমদা মীয়াম থোমজিনখ্রে। পুলিসনা টিয়ার গ্যাস সেল কাপ্তুনা খোঙজং চংশিল্লিবশিং তানখায়খি। জিলা অসিদা মখা তানা পামদবা থৌদোক থোক্তনবা করফিউ কোমথোকপগী মতম অয়ুক পুং ৫ দগী অয়ুক পুং ৯ ফাওবদমক ওইরগনি হায়না দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেটনা চেরোল অমা থোকখ্রে।

জিরিবামদগী কুকি মিলিটেন্টনি হায়বশিংনা অঙাং অহুম য়াওনা মীওই তরুক ফাদুনা পুখ্রবা মতুং তমথিনা হাৎখি হায়বগী পাউ তান্নরকপদগী হৌখিবা নবেম্বর ১৬ তা মীয়ামা চংশিনখিবা খোঙজংদা এম.এল.এশিংগী য়ুমদা

থোমজিনবদা য়াওখিবা মীওই খরা পুলিসনা ফাজিনখিবগী মায়োক্তা ঙরাং নুমিদাংগী খোঙজং অদু চংশিল্লকখিবনি। খোঙজং অদুদা ভি.দি.এফ পার্সোনেল অনি অমদি খোঙজং চংশিনবদা য়াওবা মীওই অমা অশোক অপন নংখি হায়রি।

অদুমওইনমক, ইম্ফাল ইষ্ট, ইম্ফাল ৱেষ্ট, থৌবাল অমসুং বিষ্ণুপুর জিলাশিংগী ওইনদি ঙসি অয়ুক পুং ৫ দগী নুমিৎয়ুংবা পুং ১২ ফাওবা কার্ফিয়ু কোমথোক্কনি হায়না জিলাশিং অসিগী দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেটশিংনা চেরোলশিং থোকখ্রে।

পুলিস (এল)ঃ রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা সেক্যুরিতি ফোর্সনা থিবা হুন্বগী থবক লেপ্তুনা চথরি। মফম কয়াদা চ্যেক পোইন্টশিং হাংদুনা অচৎ অওকশিং চ্যেক তৌরি।

অমরোমদা, লৈমাখোংগী আর্মি কান্টিনময়াদা অশিবা হকচাং অমা তাদুনা লৈরে হায়না সোসিয়েল মিদিয়াদা শন্দোরক্লিবা ৱাফম অসি অরানবা, য়ুম্ফম য়াওদবা পাউনি হায়না রাজ্য পুলিসনা ফোংদোরক্লি। হায়রিবা মফম অদুদা পুলিস অমসুং আর্মিগী ওথোরিতিশিংনা চংশিনদুনা থিজিল্লুবদা অসিগুম্বা থৌদোক অমত্তা থোকপগী খুদম ফংদে।

মরক অসিদা, মাংখিবা মীওই অদু ফংননবা মখা তানা থিবগী থবক লেপ্তুনা চথরি। থৌদোক অদুগা মরী লৈননা শেমখিবা জে.এ.সিনা হাই কোর্ট ওফ মণিপুরদা রিট পিতিসন থাখিবগা লোয়ননা রাজ্য সরকারদা মাংখিবা মীওই অদু হয়েং ফাওবগী মনুংদা তেক্ত-কায়দনা পুথোক্কদবনি হায়না মতম থারি।

মণিপুরগী তমেংলোং জিলাগা লোন্নবা অসামগী কছার জিলাগী মনুং চনবা লোধি কছারিগী মফমশিংদা কছার পুলিসনা অখন্নবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎখ্রে হায়রি। রাজ্য অনিগী ঙমখৈ পরিং অসিদা আইন কায়না মীওই খরা চৎথোক চৎশিন তৌরে হায়বা পাউ ফংবদগী কছার পুলিসকী কাংবুনা স্পেসিয়েল পেত্রোল্লিং চথরকখিবনি। জিরি তুরেলগী তোঙান তোঙানবা মফম কয়াদসু কছার পুলিসনা পেত্রোল্লিং চথরি হায়রি।

এআর (এল) ঃ ভারত-চাইনা লানদা লৈখিদ্রবা অসাম রাইফলসকী হবিলদার উদবির গুরুংগী মফমদা ইকায় খুমবা উৎপা থৌরম অমা ঙরাং তেংনৌপল জিলাগী মোরেদা পাংথোকখ্রে। অসাম রাইফলসকী পার্সোনেল ২০০ রোমা শরুক য়াদুনা ইং কুমজা ১৯৬২ গী নবেম্বর ২৭ তা লৈখিদ্রবা হবিলদার অসিগী মফমদা লৈ কৎখি অমদি গার্দ ওফ ওর্নর পীদুনা ইকায় খুমবা উৎখি।

ইন্টরনেট (এল) ঃ রাজ্য অসিগী তম্পাক্কী জিলা মঙা য়াওনা কাংপোকপী, জিরিবাম, ফেরজোল অমসুং চুরাচান্দপুর জিলাগী মফমশিংদা মোবাইল দাটা য়াওনা ইন্টরনেট সার্ভিসতা থম্লম্বা অথিংবা মখা তানা শাংদোকখ্রে। অথিংবা অসি হয়েং নুমিদাংৱাইরম পুং ৫ মিনিত ১৫ ফাওবা লৈগনি হায়না রাজ্যগী হোম কম্মিসনার এন. অশোক কুমারনা থোকপা চেরোল অমনা হায়রি।

রাজ্য অসিগী হৌজিক ওইরিবা ফিভমদা য়ুম্ফম ওইরগা পামদবা থৌদোক থোক্তনবগীদমক রাজ্যগী হোম বিভাগনা অথিংবা অসি মখা তানা শাংদোকবা খঙহল্লকপনি।

ঝারখন্দ ঃ জে.এম.এম লুচিংবা হেমন্ট সোরেন ঝারখন্দগী মুখ্য মন্ত্রি ওইনা ঙসি ৱাশক লৌরগনি। রাজ্যপাল শন্তোস কুমার গঙ্গৱালনা শ্রী সোরেনবু ওফিস পায়বা অমসুং অরোনবা ঙাকগী ৱাশক লৌগনি।

রাঞ্চিগী মোরাবাদি মৈদানদা পাঙথোক্কদবা ৱাশক লৌবগী থৌরম অদুদা প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদি অমসুং গৃহ মন্ত্রি অমিত সাহ য়াওনা ইন্দিয়া ব্লোক্কী লুচিংবশিং য়াওবীনবা বার্তন তৌখ্রে হায়রি।

পনবা য়াই, সিট ৮১ লৈবা ঝারখন্দ বিধান সভাগী মীখলদা ইন্দিয়া ব্লোকা সিট ৫৬ ফংদুনা সরকার পায়নবা শেম শাখিবনি। বি.জে.পিনা লুচিংবা এন.দি.এনা সিট ২৪ মায় পাকখি। সিট অমনা ঝারখন্দ লোক তন্ত্রিক ক্রান্তিকারি মোর্চানা ফংখিবনি।

মুরমু ঃ নুমিৎ মরিনিগী তামিল নাদু খোঙচৎতা লৈরিবা রাস্ত্রপদি-দ্রৌপদি মুরমুনা ঙসি উত্তিগী ৱেলিংটনদা দিফেন্স সাভির্সেস ষ্টাফ কলেজকী ফেকলতি অমসুং ষ্টুদেন্টস ওফিসারশিংদা ৱা ঙাংগনি। নোং চিংগী ফীভম ফত্তবনা রাস্ত্রপতি গারিনা উত্তি ফাওবা চৎকনি। মহাকা নিলগিরিজদা হয়েং ত্রাইবেলশিংগসু ৱারী শান্নগনি অমসুং তিরুবারুরদা সেন্ত্রেল য়ুনিভরসিতি ওফ তামিলনাদুগী কনভোকেসনদা রাস্ত্রপতি শরুক য়াগনি।

এনএসজি ঃ কেন্দ্রগী গৃহ মন্ত্রালয়না জম্মু সিতিদা নেসনেল সেক্যুরিতি গার্দস (এন.এস.জি)গী পার্মেনেন্ট হব অমা হাংদোকখ্রে। মসিনা মফম অদ্দা অচৌবা তেরোরিষ্টশিংগী এটেক চত্থরকপা মতমদা খুৎলৈ থুনা মায়োকবা ঙমবনি। ঐখোয়গী জম্মু পাউমীনা হায়- হৌখিবা মতম খরা অসিদা জম্মুদা তেরোরিষ্টশিংনা তোঙান তোঙানবা এটেক কয়া চত্থরকখিবা অদুগী য়েংলগা হেন্না কনবা থবক লৌখৎপা ঙমবা খোঙথাং অসি লৌখৎলকপনি। অৱাংবা বিল্ডিংশিং, সেক্যুরিতি রেষ্টোরেসনশিং অমদি মীয়াম তিনবা মফমশিংদা তেরোরিষ্টশিংনা এটেক চত্থরকপা থিংননবা জম্মু কাশ্মীর পুলিসনা শেমখিবা থৌরাং অমগী মনুং চন্না এন.এস.জি কম্মান্দোশিং থন্বা হৌরকখিবনি।

বেদমিন্টন ঃ ভারতকী সট্টলর পি.ভি. সিন্ধু অমসুং লক্সা সেন লক্ষনৌদা চত্থরিবা সয়িদ মোদি ইন্টরনেসনেল বেদমিন্টন বি.দব্লিউ.এফ সপর থ্রি হন্দ্রেদ ২০২৪ তুরনামেন্টকী অনিসুবা রাউন্দ চংখ্রে।

নুপীগী সিঙ্গলসকী অহানবা রাউন্দদা পি.ভি. সিন্ধুনা অনমোখর্বপু পোইন্ট ২১-১৭, ২১-১৫ দা মায়থিবা পীখি। নুপাগী সিঙ্গলসতা লক্সা সেন্না মালেসিয়াগী সোলেহ এদিলবু ২১-১২, ২১-১২ দা মায়থিবা পীখি।

নিংশিংবা য়াই, রাউন্দ ওফ থার্তি টুগী মেটচ অমদা মণিপুরগী মৈরাবা লুৱাংনা থাইলেন্দগী সরন জমশ্রিবু পোইন্ট ১৪-২১, ২১-১৯, ২১-১০ মায়থিবা পীখ্রে। মথংগী মেটচতা মৈরাবা লুৱাংনা আইয়রলেন্দগী নাথ নুৱেনগা শান্নরগনি।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

লৈমাখোং আর্মি কেম্পতগী মীওই অমা মাংখিবগী থৌদোক, কোকোমিনা সরকারগী লোইশঙশিং শো লোনশিনবগী খোঙজং অমসুং মহৈতম্ফম শঙশিং হাংদোকহন্নবা দাবী তৌবগী পাউশিং ঙসি ফোংবা পাউচেশিংদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংনরক্লি।

সনালৈবাক পাউচেগী অহানবা হেদলাইনদা- আর্মিগী কেন্তোন্টমেন্টতগী মাংখিবা কমল বাবুগী লিখুন পুথোকপা ঙমদ্রি, জি.ও.সি য়াওনা রেস্পোন্দেন্টশিংদা রিপোর্ট পীখৎলকবা হাই কোর্টনা খঙহনখ্রে হায়না ফোংলি।

পাউ অসি শঙাই এক্সপ্রেসকী ইদিসন অনিমক, পোকফম অমসুং হুইয়েন লানপাউদা অহানবা হেদলাইন পীদুনা ফোংলি। মণিপুর নিউজদনা অনিসুবা হেদলাইন পীদুনা ফোংলি।

কোকোমিনা লৈঙাক্তা থাখিবা মতম লোইখিদুনা লৈঙাক্কী ওফিসশিং শো লোনশিনবা হৌখ্রে হায়বা হেদলাইন অসি নহারোলগী থৌদাং পাউচেগী অহানবা হেদলাইননি। পাউ অসি মোর্নিং বেল, হিলস হোর্নবিল এক্সপ্রেস অমসুং ঈচেল এক্সপ্রেসতসু অহানবা হেদলাইন পীদুনা ফোংলি। সনালৈবাক, হুইয়েন লানপাউ অমসুং পোকফমগীনা অনিসুবা হেদলাইন পীদুনা ফোংলি।

মহৈতম্ফম শঙশিং খুদক্তগী হাংদোকবা দিমান্দ তৌরি, ছুতি থাবা মতম নত্তে, মহৈরোই তমহন্নবা লৈঙাকা হোৎনৌ হায়বা হেদলাইন অসি শঙাই এক্সপ্রেসকী ইদিসন অনিমক্কী অনিসুবা হেদলাইননি।

পাউ অসি পাউচে অয়াম্বগী অহানবা লমায়দা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংনরক্লি।

জিরিবামগী মীহাৎ ওটোপসি রিপোর্টকী মতুংইন্না ওৎপা নৈখিবগী মমি তাখি হায়না পিপলস ক্রোনিকলদা অহানবা হেদলাইন পীরি।

পাউ অসি ইম্ফাল ফ্রি প্রেসকী অনিসুবা হেদলাইনদা তোঙানবা হেদলাইন পীদুনা ফোংলি।

অতোপ্পা পাউচেশিংগী অহানবা লমায়দসু মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংবা থেংনরে।

অসামদা লৈরিবা কুকিশিং ১৯৬১ গী মমাংদা মণিপুরদা লৈরম্বশিংদি হল্লকপা য়াগনি হায়না মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন্না ফোংদোকখিবা ৱাফম মণিপুর নিউজগী অহানবা হেদলাইন ওইরি।

তমেংলোং টাইমসকী অহানবা হেদলাইন অসি সেটেলাইট টেগ তৌখিবা চুলুৱান-টু হায়না মীংথোনবা অমুর ফালকোন হৌখিবা নবেম্বর ৮ দা কেনিয়া য়ৌখ্রে হায়না ফোংলি।

গানফিউ মেলদা চয়োল অমরোম লন্বী শেংদোকপগী থবক চখ্খরবা মতুং নেসনেল হাইৱে-৩৭ তা অমুক হন্না গাড়ি চৎথোক চৎশিন হৌরে হায়না অহানবা হেদলাইন পীদুনা ফোংলি।

------